**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-01-2025)**

**ডে (এল)ঃ** মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি লংথবালদা লৈবা মহারাজ অসিগী সমাধিদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, পৱর মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ অমসুং এম.এল.এ. করাম শ্যাম শরুক য়াগনি। মহারাজ গম্ভীর সিংহ ম্যুজিয়ম শানবা যাত্রাসু হুনগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা মহারাজ গম্ভীর সিংহ, মৈদিংঙু নরাসিং অমসুং সনা হেরাচন্দ্রগী মুর্ত্তিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি, তুংদা, তর্পন কৎকনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নেসনেল রি-কন্সোলিদেসন ডে হায়না পাঙথোক্কনি। ঙরাং কৈশাম্পাৎতা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-এন.রুপচন্দ্রনা হায়-মহারাজ গম্ভীর সিংহ হায়না খঙনবা নিংথৌ চিংলেন নোংদ্রেম খোম্বগী নীংশিং নুমিৎ অসিবু 'অমুক হন্না খুন্তাক্লরোই' হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় পূন্না পাঙথোমীন্নসি। লুপ অসিনা মমাং থাগী ২২ দগী হৌনা কছারগী লেং-ওনদবী পাৎতগী নিংশিং থৌরম অসি হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মুর্ত্তিদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লবা মতুং ইম্ফালগী হাউ গ্রাউন্দ ফাওবা খোঙচৎ অমা চৎকনি। তুংদা, মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সাহৈবুং চিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন

য়াওবা জি থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী নোংমৈ মরু তরা, সিঙ্গল বেরেল অমা অমসুং ট্যুব লোঞ্চর অনি য়াওরি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস, ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি ইগজ্‌কিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হাউপী মোলেন চিংদা ঙরাং পোপী য়ানথৎপগী দ্রাইব অমা চথখ্রে। হায়রিবা কাংবু অদুনা মফম অদুগী লম একর মরিরোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি। পোপী থারম্বা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক এফ.আই.আর. অমসু লৌখৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং এরিয়াদগী কে.সি.পি. তাইবংঙানবগী মীওই অনি ঙরাং ফারে হায়রি। মখোয় অনি অসি শুগ, চাইরেল অমসুং ককচিং খুনৌ এরিয়াদা নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা তমেংলোং জিলাগী জেলিয়াংরোং ইভানজেলেষ্টিক ফেলোসিপ গোষ্টেল সেন্টরদা শাখিবা ইন্দিজিনস লাইব্রেরী এন্দ রিছোর্স সেন্টর অমা ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী লাইরিকশিং অমদি রিছার্স ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা পোৎলম কয়াসু খুৎশিন্নখি।

**লম্বী (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী জে.টি.রোডতা লৈবা সুতোবেক্রাদা শারিবা ভেল্লি ব্রিজগী ফিভম ফত্তবদগী থোং অসি শেমজিন শাজিনগদবনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩১ ফাওবা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমলে হায়না রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক অয়ুক উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা জনাতা মৈদানদা ১৮ শুবা প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস কনভেন্সন হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোক্কনি।

থৌরম অসি য়াওনবগীদমক শ্রী মোদি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ভুবনেশ্বরদা থুংখিবনি। মহাকপু বিজ্ পতনায়ক ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃত্তিগী থৌরমগা লোয়ননা হরাউ তয়ামা ওকখি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুগী মেঘালয় অমসুং উরিষ্যা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাকা ঙসি মেঘালয়গী উমিয়ামদা নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজনগী আই.সি.এ.আর. কমপ্লেক্সকী গোল্ডন জুব্লি সেলেব্রেসনদা শরুক য়াগনি।

রাস্ত্রপতিনা হয়েং ভুবনেশ্বরদা চৎকনি অমসুং প্রভাসি ভারত্তিয়া দিবস কনভেন্সন লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। মহাকা মপান লমদা লৈবা ভারত মচা কয়াদা মখোয়না তোঙান তোঙানবা লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক প্রভাসি ভারত্তিয়া সনমানসু য়েন্থোক্কনি।

**বজেট ঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ন্যু দিল্লিদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনগা ডন্নদুনা লাক্লিবা কেন্দ্রগী বজেটকী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফম অদুগী তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহাননা হায়-মখোয়না লৌউ শিংউ, রুরেল দিবলপমেন্ট, ইন্দিয়ান এগ্রীকলচরেল রিছার্স ইন্সটিটুট্যট (আই.সি.এ.আর) অমসুং লেন্দ রিছোর্সেস য়াওনা বিভাগ মরিগী বজেটকী মতাংদা কুপা খন্নখি। শ্রী চৌহাননা হায়-মমাংদসু মহাকা লৌমীশিং অমদি লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা মীওই কয়াগা উন্নদুনা মখোয়গী অনিংবা অপান্বা অমদি মোতশিং লৌখি।

**অশ্বিনি ঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা মহা কুম্ভাদা কৎথোকপা অকাশবানি অমসুং দুরর্দশনগী অখন্নবা ঈশৈ অনি ঙরাং দিল্লিদা পুথোকখ্রে।

অকাশবানিনা পুথোকপা ঈশৈ অদু রতন প্রসন্ননা শকপনি। মসিদা মতম কয়াদগী চৎনরক্লবা অমসুং শেংলবা মহা কুম্ভাগী মতাংদা শৈথাদুনা অতাবা মীওইশিংদা ভক্তি অমদি চাউথোকচবগী ৱাখল্লোল পোকহল্লি।

দুরর্দশননা পুথোকপা মহা কুম্ভা হে হায়বা থিম সোং অসিনা পদ্মশ্রী কৈলাস খেরনা শকপনি।

**বোদিঃ** অসামগী দিমাহসাউ জিলাগী উমরাংসোদা লৈবা ঈশিং থুমজিনখ্রবা কোইলাগী খোনি অদুদগী মীওই অমগী অশিবা হকচাংসু ঙরাং ২১ শুবা পেরা দাইভরসকী কাংবুনা ফংবা ঙমখ্রে। মীওই অদু নেপালদগীনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

আইন কায়বা মওংদা থবক তৌরম্বা কোইলাগী খোনি অদুগী মনুংদগী থোরকপা য়াদনা লৈরিবা অতৈ মীওইশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**ফুটবোলঃ** খোঙমনদা শান্নবা তরেৎশুবা থিংঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.দি.এ. কিয়ামগৈনা দব্লিয়ু.পি.সি. অংথাবু পাঞ্জল ২-০ দা, এ.বি.এ. ক্ষেত্রিগাউনা কে.এস.সি. কোংববু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্ম বিরেননা ঙরাং লেবর কার্ডকী খুদোংচাবশিং য়েন্থোকখিবা থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং অমদি নাগা নুপী অমা ফুরকপা য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা মখান এরিয়াদা মতম

কক্তবা বন্দ চত্থখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ফুরুপ কন্নবা অচুম্বা তৌবা কিরগদি পোলিটিক্সতা য়াওরক্কনু, ফুরুপ মশেল হাৎননবা তোকঙা শন্দোক্লিবশিং ফাদুনা এক্সন লৌরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাং লেবর কার্ডকী বিনিফিটশিং য়েনথোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-রিলিফ কেম্পতা লৈবা লেবর কার্ড পায়বা মীওই লিশিং ৫,২২৫ দা শেলগী তেংবাং য়েন্থোকখ্রে, লুরবা তানফমসিদা অখুবা পোলিটিক্স শান্নরোইদবনি-সি.এম হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিং চেকশিন্নবা ৱাফম সি.এমনা থমখ্রে। এস.টি. দিমান্দদগী হৌরকপা ইরাংনি হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীপায়নিংঙাই ওইরবা ঐচ.এম.পি.ভিগী কেস অমা ফাওবা মনিপুরদা থেংনবা লৈত্রি-হেলথ সাভির্সেস হায়বা পাউ অসি মনিপুর ন্যুজগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা-কংগ্রেস লিদরশিংগা গভনরগা ফম্মীন্নদুনা মনিপুরগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকশিংনা নাগা নুপী ফুরকপগী কাংপোকপী-চুরাচান্দপুর ফাওনরিবা লম্বী মতম কক্তনা থিংজিনখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা কোন্সা খুল ভিল্লেজ ওথোরিতিনা লৈলোন ৱাইফৈ কুকি ভিল্লেজতা ইভিক্সন নোটিশ পীখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ-গানফিয়ু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইমনচিংবা পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরগী লান-খুল ঙাকপশিং এন.আই.এ অমসুং

সি.বি.আইগী কেসশিংনা নম্বো পোরে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-রিলিফ কেম্পশিংদা সুইসাইদ কেস মশিং হেনগৎলকপদা এম.সি.পি.সি.আরনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-স্তার্টঅপনা আই.দি.পি. ৪৩২ রোম থবক ফংহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-ইন্দিয়ান আর্মিনা লৈমখোংদা এক্সিদেন্ট থোকপদা অশোক অপন নংলবা মীওই ৮ গী পুন্সি কনবা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা দেমোক্রেসি হনজিলহন্নবা এ.দি.সি. ইলেক্সন পাঙথোকবা ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিলনা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-হৌজিক লৈরিবা কনফ্লিক অসি এস.টি. দিমান্দদগী হৌরকপনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাড অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।